## এ এফ সি অন্দর-১৯ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফাইয়রস

# মণিপুরী শান্নরোয় ৯ য়াওবা ইন্দিয়ন অন্দর-১৯ ফুটবোল টিমগা ইরানগা দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ ঃ

ভিএটনামগী হানোয়দা লৈবা ৱাই এফ টি সি ফিল্ড নম্বর থ্রিদা চথুবা হৌখ্রবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি) অন্দর-১৯ ৱিমেন'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ক্বালিফিকেসন রাউন্দ ঙসিদগী চথুবা হৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং ইরান দ্রো ওইখ্রে।

থা অসিগী ৬ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথুগদৌরিবা এ এফ সি অন্দর-১৯ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী নুপী ফুটবোল্লর ৯ না শরুক য়ারিবনি।

মণিপুরী মচাশিংনা নম্না য়াওবদা নত্তনা মণিপুরগী ফুটবোল টিমনি হায়বা য়ারবা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ ফুটবোল টিমনা ঙসি অহানবা মেচতা ইরানগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা গোল ১-১ দা দ্রো ওইখিবনি। ইন্দিয়ানা মথংগী মেচ থা অসিগী ৪ দা ভিএটনামগা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ইরান অমসুং ইন্দিয়ানা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। ইরান অমসুং ইন্দিয়ানা চনখিবা গোল অদু মেচ অদুগী হাফ মতুংদা চনখি।

মণিপুরদগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর কসমিনানা মেচ অদুগী ৫৯ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ইন্দিয়ানা গোল অমা চনখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা ইরানগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। ইরানগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী ৮১ শুবা মিনিটতা হানৈনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নখ্রবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং ইরান্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা মেচ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম ফংনখি।

নীংশিংবা য়াই, চথুরিবা এ এফ সি অন্দর-১৯ ৱিমেন'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাইয়রস রাউন্দ অসিদা মণিপুরদগী পূন্না শান্নরোয় ৯ না শরুক য়ারি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী মপাঙ্গল কল্লবা অন্দর-১৯ ৱিমেন'স ফুটবোল টিম অসিদা মণিপুরদগী য়াওরিবা শান্নরোয় ৯ অদুদি এম লিন্থোইঙম্বী, এন জি স্বিটি, এম থাহেনবী, ৱাই হেমোলতা, রতনবালা, কসমিনা, এস রঞ্জনা, এ রোজা অমসুং দল্লিয়ু রঞ্জিবলানি।

# মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা মরিশুবা নোর্থ ইষ্ট কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ ঃ মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা মরিশুবা নোর্থ ইষ্ট কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ৯ দগী ১৩ ফাওবা লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লবকী টেনিস হোলদা পাঙথোক্লগনি।

মরিরকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট কেশ প্রাইজ অসিগীদমক মণিপুর টেনিস এসোসিএশন্না শেম শাবা পূন্নমক লোইখ্রে। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা মেন'স সিঙ্গলস, দবলস, লেদিজ সিঙ্গলস অমসুং চহী ৪৫ অমদি ৫৫ মথক্কী ভেটরান'স দবলস পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংগী এন্ত্রি ফিগী মমলনা সিঙ্গলসকী ওইনা লুপা ৩০০ নি অদুগা দবলসকী ওইনা লুপা ৫০০ নি। হায়রিবা এন্ত্রি ফি অসি ইভেন্ট অমখক্কী ওইগনি।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট ওপন লোন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী মেন'স সিঙ্গলস চেম্পিয়ন্দা লুপা লিশীং ৪০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ২০ অদুগা সেমী ফাইনেলিষ্টতনা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি। মেন'স দবলসকী চেম্পিয়ন্দা লুপা লিশীং ২০, রন্নস-অপতা লুপা লিশীং ১০, সেমী ফাইনেলিষ্টতা লুপা ২৫০০ গী শেলগী মনা পীগনি। লেদিস ওপন সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন্দা লুপা লিশীং ২০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১০, সেমী ফাইনেলিষ্টতা ২৫০০, ভেটরান দবলসকী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি।

# ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ ঃ ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ৫ অমসুং ৬ তা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৩৮ শুবা ষ্টেট লেভেল আর্টিষ্টিক অমসুং এরোবিক জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী নুমিৎ খরনি য়ৈথোক্তুনা থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯ দা হান্নগী মফম অদুমক্তদা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা শরুক য়াগদবা য়ুনিট, ক্লব অমসুং ওর্গেনাইজেসনশিংগী শান্নরোয়শিংনা নৌনা লেপ্লবা মতম অসিদা লাক্নবা খঙহল্লক্লি।

# অর্জুন এৱার্দি য়ূম্নাম সনাথোই য়াওবা ইন্দিয়ন টিম ৱর্ল্ড সান্দা কপকীদমক চিনাগী জিয়ান্দা থুংখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ ঃ

চিনাগী জিয়ান্দা ঙরাংদগী চথুবা হৌখ্রবা নিপানশুবা ৱর্ল্ড সান্দা কপতা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরদগী অর্জুন এৱার্দি য়ূম্নাম সনাথোই য়াওবা ইন্দিয়ন টিম ঙরাং চাইনাগী জিয়ান্দা থুংখ্রে।

ইন্দিয়াগী মপাঙ্গল কল্লবা ৱুশু টিম অসিনা ৱর্ল্ড সান্দা কপ্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি। অর্জুন এৱার্দি য়ূম্নাম সনাথোইনা ৮ শুবা ৱর্ল্ড সান্দা কপকী কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারুগনি।

য়ূম্নাম সনাথোইগা লোয়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মরি অমসুং টিম কোচ কুলদিপ হন্দু চাইনাদা থুংদুনা কম্পিটিসনগীদমক অকনবা মওংদা শেম শাদুনা লৈখ্রে।

টিম কোচ কুলদিপ হন্দুগী অকনবা মিৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিদগী হৌনা অয়ূক নুংথিল খায়দনা কোচিং তৌদুনা লাকখিবনি। হন্দক্কী ৱর্ল্ড সান্দা কপ অসিদা ইন্দিয়ানা মেদল খরদি শুংশোয় শোয়দনা লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু লৈরিবনি।

ইন্দিয়ন টিম অসিগী মনুংদা মণিপুরদগী অর্জুন এৱার্দি য়ূম্নাম সনাথোই মেদল শুংশোয় শোয়দনা লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি। য়ূম্নাম সনাথোই থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা য়াইরিপোক তোপ চীংথাদগী মশাগী চহী ২৭ খক্তা ঙাইহৈরিবী তুংগী আশা চাউনা লৈরিবীনি। য়ূম্নাম সনাথোই মমাঙ চহীদা সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওন্দা পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা এসিয়ন গেমসকী সানসৌ মশান্নগী কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ দা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তসু ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তুনা শিলভর মেদল লৌরকখিবনি। মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অচৌ অচৌবা চেম্পিয়নশিপ অমদি ৱর্ল্ড কপনচিংবশিংদা মেদল কয়া লৌদুনা মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুদুনা লাকখিবী য়ূম্নাম সনাথোই ৱুশু মশান্নগী ওইনা লমদমসিগী অর্জুন এৱার্দি ফংবা অনীশুবা শান্নরোয়নি। য়ূম্নাম সনাথোইগী মমাঙদা সন্ধ্যারানিনা ৱুশু মশান্নগী ওইনা অহানবা অর্জুন এৱার্দ ফংবা শান্নরোয় ওইখিবনি। য়ূম্নাম সনাথোইনা ৱুশু মশান্নদা কুমজা ২০১৩ দগী খোঙথাংজিল্লকখিবনা ঙসি ফাওবা লেমজনীংঙাই ওইরবা মনা কয়া লৌদুনা লাক্লিবনি।



HL-B/3347/19,21,23,25...



HL-P/1016/15-30ct-1,3,4,5nov.



HL-B/3422/25-10Nov.



HL-B/3363/4-30,1-4 nov. (alt)



HL-B/3374/8/10-7/11




